ওক্তোবর ২০, ২০০৬

নুংশিজরবা প্রধান মন্ত্রি ইবুংঙো,

নহাক্না জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপকা উন্নবা থৌরমশিংদা অপুনবা থুন্নায় অমগী মরুওইবা মশকসি লৌসিংগী থুন্নায় অমা লিংনবগী য়ুম্ফম ওইনা মতমচুপ্পদা কনশিন্না হায়বিরী। মসিনা লোল হায়বসি সুপ্পতগী ঈ-পাউ অমসুং তম্বী-তাকপীনবগী উপায়দা নত্তনা অমগ-অমগা ফাওদোক্লনবগী অরেপ্পা পাম্বৈ অমসু ওইরি হায়বা লোলগী নুংগী ৱাহন্থোকসি ঐখোয়গী পুক্নিংদা মমি তাহল্লে। ইংলিস লোলবু খঙবা, ইংলিসতা ফজনা ঙাংনবা ঙম্বা হায়বসিনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা, থবক ফংনবগী ওইথোকপদা অমদি থুন্নায়দা ওইজ-ওইথক ফংনবগী লম্বীদা চংশিন্নবা খ্বায়দগী মরুওইবা অরেপ্পা পাম্বৈ ওইরি হায়বা ৱারোয়শিন অমদা ঐখোয়না লেপ্লে। ইংলিশ লোল অমা ওইনা মতিক-চানা শিল্লমখিদ্রবা নৌনা স্কুল থাদোক্লবশিংনা অৱাংবা-থাক্কী মহৈ-মশিংগী তাইবংদা চংলুবদা ওন্থোক্না খুদি খিবা শক্তম ওইরি। মশাগী মশিন অমদা থবক শুরিবা মীওইশিংদতা নত্তনা লৈঙাক-লোয়শংশিংদা মকা-লান্না কারিবশিং-হায়রিবশিং অসিনা শুরিবা থবক্কী তাইবংদা অসিগুম্বা চাওখত্পদা থিন্থহল্লিবা মমিসি থিত্ হেন্না তায়।

হেন্না ফবা পুন্সি মহীং অমগীদমক খুদোং-চানবা অমদী অদুগুম্বা পুন্সিদুদা চংশিন্নবগীদমক্তদি ইংলিস লোলসি খ্বায়দগী মরুওইবা অরেপ্পা পাম্বৈনী হায়বা ৱাফমসি শকখঙজরিবা ঐখোয়গী মীয়ামদা অসিগুম্বা অচুম্বা মশকসি মাংখিবা লৈতে। ময়ায় ওইবা থাক্কী নত্রগা অনেম্বা থাক্কী চাগানা য়ুম পুজরিবশিংনা মখোয়গী অঙাংশিংবু হায়ফেত্ শেল চংবা ইংলিস লোলগী স্কুলশিংদা থাবদা মখোয়গী হেঞ্জখিদ্রবা চাগাদুগী চাওরবা শরুক্তী চাদিং তৌই হায়বসি ফংলিবা ঈ-পাউগী ইঙ্গিন্না তাক্লী। অসিগুম্বা অঙাংশিংগীদমক লৈরিবা মহৈ-মশীংগী খুদোংচাবশিং অসিসু, ইমুং-মনুংগীদমক লৈরীবা হকশেল চেকশিন-থৌরাংগী শংশিং অদুগা অয়াম্বা পাঞ্চক ওইনা মাংজিল থারিবা কান্নবা মশক অমনি। অদুম ওইনমক, অসিগুম্বা তঞ্জাসিদা, শরুক য়াজনবা পাম্বৈশিং লৈজদবা মশিং য়াল্লবা মীওই কাংলুপ লৈরি। পুন্নমকপু য়াওহনবা মতৌসি মীয়ামগি য়ান্নবা থৌরাংতনা পুরকপা ওইথোক্কনি।

ফিভমসিদা চুনদবা মশক অমা লৈরি। কুমজা চামা (শতাব্দী)দগী হেন্না ইংলিসপু ঐখোয়গী মহৈ-মশিংগী পথাপ্তা শরুক অমা ওইনা মফম কলহন্দুনা লাক্কী। অদু ওইনমক, ইংলিস লোল অসি নহা ওইরিবা মীওই অয়াম্বনা খঙবা ঙম্বা পনখৈগী ৱাংমদা লৈরি, অমদি মসিনা অসুক্কী মতিক অমগ-অমগা মান্নদবা থাক্তা ফাওনবা ঙমদে। থাঙ্গৈশেংনমক, অহানবা মমারোলদুখক্তবু শিজিন্নদুনা, ঙসিফাওবদা ঐখোয়গী মীয়ামগী অপুনবা চামাগী মনুংদা অমদগী হেন্দনা মসিবু অনিশুবা লোল অমা ওইনা শীজিন্নৈ।

অসিগুম্বা অচুম্বা মশকশিং অসি অহিং অমত্তদা হোংদোকপা ঙল্লোই। অদুবু ইংলিসপু স্কুলশিংদা লোল অমা ওইনা অমসুং ঐখোয়গী মীওইশিংদা, হায়বদী খঙজদ্রিবা অচম্বা মীওইশিংদা, তম্বীনবগী তঞ্জাদু লাক্লে হায়না জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপ্পা থাজজৈ। অদুনা, হৌজিক্তগী হৌরদুনা লমসিদা পায়খত্পা থবক অদুনা অপুনবগী থুন্নায় অমা শাগত্পদা অমদি

ভারতপু লৌশিংগী খুন্নায় অমদা ওন্থোকপদা তেংবাং ওইগনি হায়বা ৱাফমসিদি ঐখোয়বু য়াহল্লে। মসিনা চহি তরানিথোয়থক্তংগী মনুংদা, স্কুল থাদোক্লবশিংবু অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা চংশিল্লুনবগী য়াম্না হেন্না মান্নবা থাক্তু পীরগনি অমদি, চহি অহুমদগী মঙাগী মতুং তারকপদা, থবক ফংনবগী খুদোংচাবা কয়াদা য়াওশিল্লুনবগী লম্বীদা হেন্না মান্নবা থাকতু পীরগনি।

লৈঙাক-শাসন, মহৈশংশিং, ঈ-পাউ অমসুং কল-কারখানাশিং অসিনচিংবদা থবক পুরিবা মীওইশিংবু পাক-চাওনা খোনজিন্দুনা অসিগুম্বা হীরমসিদা ঐখোয়না অচম্বা মওংদা ৱা-তান্নবশিং পাংথোকই। ঐখোয়না রাজ্যশিং (লৈবাক মচাশিং)গী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা ৱা-তান্নে। লোকসভা (লৈবাক্কী মীফমকোন)গী মীওইশিংগা ঐখোয়না ৱা-তান্নে। হিদাক-লাংথক অমসুং চন্নবী আইনগী লমদা মশিল ওইনা পুরিবা মীওইশিংগা ঐখোয়না ৱা-তান্নে। পুন্নমক অসিনা হায়রিবা ৱাফমসি পাংথোকপা ঙমগনি অমদি শোয়দনা পাংথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়বা মোত অমা পীবীরকখ্রে। অহানবা লৌখত্কদবা খোংথাংশিং অদুগী তাঙ্কক্কী মরীদা পাংথোক্কদবা থৌদৌশিং অদু পুথোক্লবগীদমক ঐখোয়না থবক তৌবা কাংবু অমা লিংথল্লে। কাংলুপ অসিনা পীথল্লকপা পাউদমদু ঐখোয়গী অফ-ফত্ত তান্নবগী মচাক অমা ওইনা শীজিন্নখি।

স্কুলদা ক্লাস I দগী হৌরদুনা, মখোয়গী অহানবা লোল (মমারোল নত্রগা লমদমদুগী লোল অমা হেক্তা) অদুগা ঈরোয়ননা, ইংলিসপু লোল অমা ওইনা মশক তাক্কদবনি হায়বা ৱাফমসি জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপ্পা লৌখত্চরি। মসিগী লোল তম্বগী অকক্লবা তাঙ্ককসিদা, লোল অনিমক্তুবু, লোলগী কাংলোন (ব্যাকারন) অমসুং হৌনবী নিয়মশিংগী মরীদা নাপ-চানদবা করিগুম্বা অমত্তা য়াওহন্দনা, অঙাং অদুগীদমক ৱাহন্থোক লৈবা তম্বদগী ফংলকপা লৌশিংদু শেমগল্লবা ৱাফমদা মীতয়েং থমগদবনি।

রাজ্য মাপল (তরুকতি অৱাং-নোংপোক্কীনি) অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি (রাজ্যগী হক ফংদ্রিবা লৈবাকশিংগী অপুনবা) অহুম্না হান্ননা ক্লাস I দগী হৌরদুনা ইংলিসপু শোয়ফদ্রবা হীরম (বিষয়) অমা ওইনা হৌদোকখ্রে হায়বসি ঐখোয়না শকখঙজে। অসিগীসু মথক্তা, ওইথোকপা য়াবা হেঙ্গত্পা মশিংদা, রাজ্য তরানিথোই অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমগনা, হন্দক্তা ক্লাস V ফাওবগী থাক্তা, প্রাইমরি (অহানবা) স্কুলশিংগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা ইংলিসপু শোয়ফদ্রবা হীরম অমা ওইহনখ্রে। অদুবু, মসিবু থবক ওইনা চন্নহনবা হায়বদুদি তপ্পি। ইংলিস লোল তম্বীবগী মগুন অসি মতিক চাবা ৱাত্রি। তম্বীরোয়শিংগী মশিং নত্রগা তম্বীনবা মচাকশিংগী ওইবা তেংবাংবগী পথাপশিং অসি মতিকসু চাদে অদুগা চুনবসু ওইদে। ক্লাস I দগী হৌরদুনা ইংলিস লোলবু লোল অমা ওইনা তম্বীবা অসিবু জাতি শিনবা থুংনা মশক তাক্তুনা হৌদোক্লবা য়ুম্ফমগী ওইবা অহোংবা মশক অমা ঐখোয়না লৌখত্চরী। মসিনা তোখায়না-তাগদবা, অহেনবা হাপচিল্লকপা হীরম অমা ওইহন্নবা তৌবদি নত্তে। মসি স্কুলগী তমগদবা পরা-পরেংগী মনুংদা অমত্তা ওইনা য়াওশিনখিনবা ৱাফম্নী।

হীরমদা য়াওরিবা মচাকশিংবু তম্বা হায়বা অসিদগী লোল তম্বা হায়বসিনা খায়দোকপা য়ারোয় অমসুং মদুদা অমত্তা ওইনা পুনশিনগদবনি। মরম অসিনা, ক্লাস III দগী হৌরদুনা, লোলথক্কী নত্তবা থরা, হীরমশিংগী মচাকশিংবু তাকপীনবা ইংলিসপু শিজিন্নগদবনি। অসিগুম্বা মরম অসিগীদমক হিরমশিংবু অপাম-পামদা থনবা অদুদি তম্বীরোয়সিং অদুগী হৈ-শিংবা অমসুং

ফংলিবা মচাকশিং অদুগী মখা-পোন্না স্কুলশিংদা শিন্নরে। মসিনা অপান্ননা লোল মখল য়াম্বা স্কুলশিং শেমগত্লগনি। মসিনা ইংলিস লোলগী স্কুলশিং অমসুং লমদমদুগী ওইবা লোলগী স্কুলশিং অনিগী মরক্তা থারিবা শম্বলগী মশিংদু হন্থহনবদসু তেংবাংগনি।

লোল তম্বগী অমসুং তাকপীবগী পরম-পারা হায়বা অসিবু থাঙ্গৈশেংবা নুংতিগী পুন্সি মহিংদা অমদি ফিভমশিংদুদা ৱাহন্থোক লৈহন্নবা তুংগী-মাংগী হীরমশিং য়েংনা চান্নহনগদবনী। অসিগীসু মথক্তা, অপুনবা থাংজিনগদৌরীবা খোংজং অদুদি চুন্নগী চিনফা পুদুনা খঙলকপা নাইতোম মপী লাইরিকশিং (টেক্স) অদুবু মপুংফানা হৈবগী মনা ফংবা, অদুগুম্বা পন্থুংদু য়ৌনবগী অকক্লবা পান্দমদা মীতয়েং থম্লুদনা, মহৈরোয়শিংগী চাননা হৈ-শিংবা মতৌদুদা য়ুম্ফম ওইগদবনি। মসিগী অরোইবদা লোল হৈবগী মতিক-মঙম অদুগী প্রমান চেরোল পীদুনা (সার্টিফিকেসন) অমসুং লোল তম্বীরোয়শবু নৌনা হাপ্পগী থৌরাং তৌদুনা, নেস্লেল টেষ্টিং সার্ভিস (জাতিগী খঙদোক্লবা চাংয়েং থবক) হায়বা অমা লিংখত্কদবনি।

ইংলিস লোলগী চাওরবা তম্বীরোয়কোল অমগী অৱাত্পসি ফংনবগীদমক ইংলিসতা হৈ-শিংবগী মতৌ ৱাংনা চেল্লবা অমদি ঙাংন-শক্লবদা পাইরক পায়খু ঙম্লবা অদুগুম্বা গ্রেজুয়েতশিংবু, শিল্লম-শিন্তাক্তুনা তম্বীরোয় ওইরুবগী হৌনবী মগুন-চে (টিচর ত্রেনিং ক্বালিফিকেসন) য়াওদ্রবসু থবক্তুগীদমক হাপকদবনি। নেস্লেল টেষ্টিং সার্ভিসনা শেমগত্পা চানরবা অরেপ্পা থৌশিলনা মখোয়বু খনবা ঙমগনি অমদি অতেনবা মতমগী ওইবা পান্দমদুগী থৌদাংশিং (ওরিয়েন্টেসন) অমসু পীগনি। মতুং-তারকপদা, চাওরাক্লা লৈবাকসিগী শিনবা থুংবদা লৈরীবা স্কুলগী তম্বীরোয় ক্রোর মরিরোমদি, মখোয়গী হীরম অমদা খঙহৈবগী মশকতু থন্নদনা, অহানবা থাক্কী তম্বীরোয়শিংদা থোইদোক্লা মীতয়েং থমদুনা, অশাংবা ছুটি মনুংদা শিল্লম-শিন্তাকপা থৌরমশিং নত্রগা অতোপ্পা অতেনবা মতমগী তম্বীবা মশাংগী মতেংনা, মখোয়গী ইংলিসতা হৈ-শিংবা হেঙ্গত্লবগীদমক শিল্লম-শিন্তাক্কদবনি। অয়াম্বনা, তম্বীরোয়শীং শিল্লম-শিন্তাকপগী থৌরমশিং অসি তম্বীরোয়শীংগী মশীং ৱাত্পগী অশেংবা ৱারেপ্তদা য়ুম্ফম ওইদে। লোল তাকপীনবগী শিল্লম-শিন্তাকপদুসু মনুং চলহন্দুনা, ঙসি-ঙসিমক থবক ফংলবা অমসুং থবক ফংদ্রিবা মীওইশিংদা শিল্লম-শিন্তাকপদা অচা-অথক হুল্লিবা অসিগুম্বা অপুনবা তম্বীরোয় শিল্লম-শিন্তাকপগী পথাপ অসি, তমগদবা পরা-পরেংগী মনুংদা লোলগী ময়োলগী মশক্তু শকখংলগা, অমুক হন্না মপুংফানা নৈনখোকপা মখৌ তাই।

লৈবাকসিদা লৈরিবা ইংলিস লোলগী খেন্নবা মফোংদোকশিংগী তোঙান-তোঙানবা মওংশিং অসিবু তাক্লবা মশিং য়াল্লবা ইংলিস মপী লাইরিকশিং ফংহনগদবনি। অদুম ওইনমক, হৌনবী থাক্কী পনখৈবু ঙাক্তুনা থম্বদা শোয়হন্দনবা, মহৈগী তাঙ্কক খুদিংদা মপী লাইরিকশিংগী মনুংদা য়াওরিবা হীরমশিংদুগী অহেন-হেন্দগী খুদম হক্তুনা থম্বা য়ায়। মরম অসিগীদমক, ক্লা **I** দগী **XII** ফাওবগী থাক খুদিংদা, তম্বীবগী পরম-পরাদা মতিকচারবা ইংলিস মপী লাইরিকশিং পুথোক্লবগীদমক খঙ-হৈরবা কাংলুপ অমা শেমগত্কদবনি। হায়রিবা মখোয়শিং অসিবু রাজ্যশিংনা নোম্লাশিং ওইনা সিজিন্নগদবনি অমদি মখোয়বু ৱেবতা (কম্প্যুটরগী তাইবংদা) লায়না ফাওননবগীদমক ফংহনগদবনি। ষ্টেট কাউন্সিল ফোর এডজুকেস্লেল রিসার্স এন্দ ত্রেনিং (এস সি ই আর টি) অসিনা ষ্টেট বোর্ড স্কুলশিংগীদমক মপী লাইরিকশিং চাওখত্লবা নোডেল এজেন্সি (মরুদগী লোংখোরকপা মীহুত্ কাংবু) অমা ওইনা চথবা য়ারিঙৈসিদা, মপী লাইরিকশিং ইবগী থবকসি মশা-মশাদা শিন্নথোকখিবসু মতুং তাবদা মখৌতায়। অসিগুম্বা

শাজেল অসি হেন্না শরুক য়ামিন্নবা ওইনবা, লমদুদা খণ্ড-হৈবগী মতৌ চেল্লবা মীয়াম খুন্নায়না হৌবা লুপশিংনা মপী লাইরিকশিং চাওখত্নবগী লম্বীদা শরুক য়াগদবনী।

লোল তম্বা হায়বসি হকথেংননা লমতাক-লমজিংলগতা নত্তনা অকোয়বগী মরীদা চুশিন্নহনবগী থবক্তসু পাংথোকপনা মরম ওইদুনা, ক্লাসকী কাশিং অসি চুনরবা অহেনবা তানঙায়-উনঙায়গী (ওডিও-ভিজুয়েল) অমসুং নমথোক্লবা (প্রিন্টেদ) মচাকশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্বীবা মথৌ তায়। মহৈরোয়শিংগী চহিগা চান্ননা, মথল-মথাগী হীরমশিং (বিষয়), লাইরিকশিং, মেগাজিনশিং, তানঙায়-উনঙায় মচাকশিং অমসুং অথেত্পা লাইশিং অসিনচিংবা অথোম্বা ময়ামসি য়াওরবা উপায়গী লাইরিকশংশিং (রিসোর্স লাইব্রেরি) ক্লাসকী কা খুদিংদা লিংখত্কদবনি। লোল তম্বগী খুদোংচাবশিং অসি ক্লাস কাগী মপান্দা লৌশিংবু মায়কৈ শিন্না শন্দোক্লবা অমসুং ইংলিস শিজিন্নবদু পাকথোক-চাওথোক্লবা লৌশিংগী ক্লব (মীতিন লুপ) শেমগদবনি। লোল তম্বা হায়বসি পাক-চাওরবা উপায় ময়াম অমা মথৌ তায় হায়বসি থল্লদুনা, ইংলিস লোলগী উপায়সিং (তম্বীরোয়সীং অমসুং মচাকশিং) চাওখত্নবগীদমক, শেল-থুমগী তেংবাং ওইবা, কেন্দ্রনা য়াদুনা হৌবা থৌশিল-থৌরাং অমা, হায়রিবা অচংবা ময়ামদুবু মেনশিন্নবা লিংখত্কদবনি।

রাজ্যগী লৈঙাক-শাসনশিংনসু ৱাখল্লন অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক চতমিন্নবা থোংলোয় অমা ওইবা মথৌ তাগনি। মরম অসিনা, ক্লাস I দগী হৌরদুনা, লমদমগী ওইবা লোলশিংদুগী মথক্তা, ইংলিসপু লোল অমা ওইনা তাকপী-তম্বীনবগীদমক জাতিগী থুতসিল-থৌরাং (নেস্লেল প্লান) অমগী লাংলৌ য়াথোক্লবা মথংগী জাতিগী চাওখত্নবগী ৱা-তান্নবা মীফম লুপকী (নেস্লেল ডিভেলপমেন্ট কাউন্সিল) উন্নবা থৌরমদা হায়রিবা হীরম অসিবু মুখ্য মন্ত্রি পুন্নমক্কা লোয়ননা থন্ন-নৈনবীনবা হায়দুনা প্রধান মন্ত্রিগী মফমদা ঐথোয়না ৱারোল অসি থাঙ্গত্চরি। মসিনা স্কুল তম্বীবা চহি তরানিথোয়গী লোয়রকপদা, মহৈরোয় খুদিংমক য়ামদ্রবদা লোল অনিদা হৈ-শিংবা মতৌদু শোয়ফদ্রবা ওইহনগনি।

লন্নাই নোল্লুকচবগা লোয়ননা থাগত্চরি,

স্যাম পিত্রোদা

লুচিংপুরেল,

জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপ

সি সি: শ্রী মোনটেক সিং অহলুৱালিয়া, দিপুটি চিয়ারমেন, প্লানিং কমিসন